ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ



মে ৪দা থংনবা বিল্ডিং মৈ চাকপদগী ৱাইরক্তুনা অৱাবা মায়োক্লরিবা কবো লৈকায়গী চিলড্রেন হোমদা লায়ন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল দিষ্ট্রিক্ট ৩২২দি গী লায়ন ডা. দল্লিয়ু গোপিমোহোননা লুচিংবা মেম্বরশিংনা শেলগী তেংবাঙ খুৎশিন্নবা

খুৎলাই পায়বা কুকিশিং লৈঙাক্লা অতোপ্পা মফম অমদা পুথোক্তুনা ...

☛ লামায় ২

য়াম্বেমদা ৱাকৎ মীফম চৎখ্রে

লামায় ৩

কৈ কিদে, কৈখোম থক্লবা মানবা মীনুংশি খঙদবা অকন অথৌশিংদি কিদবা ...

☛ লামায় ৪

মশেলগী খুৎ থোক্লবা...

☛ লামায় ৫

থৌবাল অমসুং কক্চীংগী রিলিফ কেম্পশিংদা আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিটুএন্সিদা মীরেপ ওইগদৌরিবা সোসল ৱার্কর ডা. এলিসন অবোমাই অমসুং চীং-তম ৱিমেন দিভেলপমেন্ট এসোসিএসনগী মায়কৈদগী পোৎলমশিং তেংবাঙবা



Vol. 47, Issue No. 59 | লৈবাকপোকপা, ইঙাগী মরিনি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ০৬ | HUEIYEN LANPAO | Tuesday, May 23, 2023, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

### কর্ফিয়ু কোমথোকপগী মতম

**ইম্ফাল, মে ২২ (ঐচ এন এস):** হয়েংগী ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল অমসুং কক্চীং দিষ্ট্রিক্টশিংদা অয়ূক পুং ৫দগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা কর্ফিয়ুগী অথিংবশিং কোমথোক্কনি হায়রি।

### পিছ রেষ্টোরেসন কম্মিটি শেমখ্রে

**ইম্ফাল, মে ২২ (ঐচ এন এস):** ঙসি নুংথিল পুং ২ তারকপদগী ইম্ফাল হোটেলগী সঙাই হোলদা পাঙথোকখিবা মণিপুরগী প্রোগ্রেসিভ ইন্টলেকচুএলশিংগী মীফম অমনা হৌজিক মণিপুরদা ওইরিবা ফীভমশিং কূপ্না খন্ন-নৈনরবা মতুংদা মহৌশাগী ঈং-তপ্পা ফীভম অমুক হঞ্জিলহল্লক্ননবগীদমক 'পিছ রেষ্টোরেসন কম্মিটি' অমা শেমখ্রে।

কম্মিটি অসিনা মণিপুরগী য়ুনিটি অমসুং ইন্টিগ্রিটি ঙাক্কনি হায়বগা লোয়ননা মীয়াম্মা তংদু লৈতানা লৈবীনবা আপীল তৌখি। ঙসিগী মীফমদা প্রোগ্রেসিভ ইন্টলেকচুএলশিং, জর্নেলিষ্টশিং, কলচরেল এক্টিভিষ্ট অমদি মেদিকেল প্রোফেসনেলশিং য়াওনা সোসল এক্টিভিষ্টশিংনা শরুক য়াখি। মীফম অসিদা প্রোফেসর এন জয়কুমার, ডা. এম নরা অমসুং জি তোম্বনা প্রেসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইখি। মীফম অসিনা মণিপুর লৈঙাক্লা মখোয়গী সিক্যুরিটি অমসুং ইন্টলিজেন্সকী অৱাৎপা লৈত্রি হায়না ফোঙদোকখিবা অদুনা ষ্টেট অসিদা লো এন্দ ওর্দর নীংথিজনা ঙাকপা ঙমদ্রে হায়বসি তাক্লে হায়না লৌখিবগা লোয়ননা সেন্টরনা মণিপুরগী লো এন্দ ওর্দর নীংথিজনা ঙাক্লবা থবক লৌখৎকদবনি হায়খি। থবক অসি খক্তনা মীয়ামগী পুন্সি কনবা ঙমগনি হায়নসু ফোঙদোক্লখি।

কম্মিটি অসিগী কনভিনর ওইনা ক্ষেত্রিময়ূম শান্তবু খনখিবগা লোয়ননা কম্মিটি অসিনা অথুবা মতমদা ফুরুপ খুদিংমক অমসুং কাঙলূপ খুদিংমক্কী অপূনবা মীফম অমা অথুবা মতমদা ফম্নবা ৱারেপ লৌখি।

### জিরিবামদগী গাড়ী ১৫৯ চঙলকখ্রে

**ইম্ফাল, মে ২২ (ঐচ এন এস):** ঙসি অয়ূক পুং ৭ লোম তারকপদগী হৌরদুনা জিরিবামদগী এন ঐচ-৩৭তা ইম্ফাল তম্না তোঙান তোঙানবা পোৎলমশিং পুবা ত্রক ১৫৯ চঙশিল্লকখ্রে হায়রি। পুলিসকী পাউনা হায়বদা ত্রকশিং অদুগী মনুংদা দিজল টেঙ্কর অমা, এল পি জি বুলেট তরুক, সিমেন্ট পুরকপা ৩১, এফ সী আইগী ত্রক ৪ অমসুং অতৈ পোৎলমশিং পুরকপা ত্রক ১১৭নি হায়রি। লোয়ননা হায়ৱে অসিগী কোটলেন্দগীনা তুপুল ফাওবগী মরক্তা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোক্তনবা অহেনবা সিক্যুরিটিশিং দিপ্লোই তৌরে হায়রি। অদুম ওইনমক পাউ অসিনা মখা তানা হায়বদা হৌজিকসু সেনাপতিদা তোঙান তোঙানবা পোৎলমশিং পুশিল্লকখিবা ত্রক ১০৫ পন্দুনা লৈরি হায়রি।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

# মণিপুর গভর্ণমেন্টনা ইম্ফাল ময়োলদা ফাওবা ঈরাং লাকশিনবা ঙমদ্রি

## ন্যু চেক্কোনদা নোংমৈ পায়দুনা কিহল্লহৗগী থৌদোক্তা এক্স এম এল এ ১ য়াওনা মীওই ৩ নোংমৈগা কোন্নবা ফারে

## ন্যু চেক্কোনদা য়ূম ৪, ঙাম্ব লৱাইদা ৱার্কশোপ ১ মৈ থাখ্রে, চেন্নবনি হায়বা মীওই ৭ ফাখ্রে

## মোইদাংপোক্তা কুকি মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপ্লকপদা খুঞ্জা ৩ শোক্লে, মীওই ১ নোংমৈগা কোন্নবা ফারে

## ফায়র সর্ভিসকী পর্সনেল ৫, পাউমী ৩ রেপিদ এক্সন ফোর্সনা ফূরকখ্রে, কর্ফিয়ু কোমথোকপগী মতম তেনশিনখি

**ইম্ফাল, মে ২২ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ৩গী নুংথিলদা চুড়াচান্দপুর অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট অনীগী তাইনবা মফমদগী হৌরদুনা থোরকখিবা কাঙলূপ অনীগী ঈরাংশিং হেন্না শাথীরকপদগী মণিপুর লৈঙাক্কী অনৌবা সিক্যুরিটি এদভাইজর অমা ফাওবা হাপ্পগা লোয়ননা এ দি জি পি (ইন্টলিজেন্স) বুনা ওভরওল ওপরেসনেল কম্মান্দর হাপখিবগা লোয়ননা অহেনবা ফোর্সশিং থাজিল্লক্তুনা অকনবা থবকশিং লৌখৎলকপদগী মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিনবা হৌরক্লল্লবসু থোকহন্নীংদবনি হায়বা থৌদোকশিং মণিপুর লৈঙাক্লা মখা তানা থোকহন্দবা ঙমদবদগী ঙসিসু ন্যু চেক্কোন এরিয়াদা অমুক হন্না কাঙলূপ অনীগী মরক্তা উংখৎনরকখিবগা লোয়ননা য়ূম ৪ মৈ থাদোকখ্রে। ন্যু চেক্কোনগী থৌদোক্তা চেন্নবনি হায়বগী চার্জদা চুড়াচান্দপুরগী হেংলেপ এসেমব্লি কন্সটিটুএন্সিগী এক্স এম এল এ টি থাংজলম হাওকিপ অপোকপা লৈখিদ্রবা থোংজাচিন হাওকিপ য়াওনা মীওই অহুম লাইসেন্স নোংমৈ ২ অমসুং লাইসেন্স য়াওদবা নোংমৈ অমা পূন্না নোংমৈ অহুমগা কোন্নবা ফাগৎখ্রে।

থৌদোক থোকফমদগী ফংবা পাউগী মতুংইন্না ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুংদা ন্যু চেক্কোন এরিয়াগী মনুং চন্না লৈরিবা দুকানশিংদা অমসুং ত্রাইবেল মার্কেটতা পোৎফম ফল্লিবীশিংদা মফম অসিদা লৈরকখিবা মীওই খরা থোরক্লগা দুকান থোঙ হাংদনবা অমসুং পোৎ চৈ য়োন্দনবা অকনবা ৱাহৈ-খোন্দাদা চৈ থাংলকখিবনি হায়রি। মসিদগী ওনশিন্নদুনা খুৎ থোক্লবা হৌরুবা মতুংদা মীওইশিং অদুনা মখোয়গী লৈফমশিংদা চঙশিল্লুরগা বেরেল নোংমৈশিং পুদুনা থোরক্লগা নোংমৈ মতোন্না নম্বা য়াওনা কা হেনবা থৌওংশিং চৎথনবা হোৎনরকপদগী দুকানশিং থোঙ লোন্নখিবগা লোয়ননা পোৎফম ফল্লম্বশিং কাইদুনা চেন্নরকখিবনি।

থৌদোক অসিগী পাউ তাবদগী খোইশাওনরবা কাঙলূপ অমগী মীওইশিংনা হান্ননসু মৈ থাবা হৌরল্লবা য়াওনা য়ূম ৪ অমুক হন্না মৈ থাদোকখিবনি।

থৌদোকশিং অসিগী পাউ লৌবা চৎলুবা মমি টিভিগী পাউমী ২ অমসুং এ এন আই ন্যুজ চেনেলগী কেমেরামেন অমা য়াওনা পাউমী ৩বু ঈরাং লাকশিনবা লাকখিবা মপানগী সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা ফূরকপদগী পাউমী অমদি মখূৎ য়েৎকী খুদাংদা ঈ থোক্লা শোকখি অদুগা মৈ থাখিবা য়ূম ৪বু কনবা লাকখিবা মণিপুর ফায়র সর্ভিসকী পর্সনেলশিংনা চঙশিন্নবগীদমক পুলিস ফোর্স ঙাইনরিঙৈ মীকুপ্তা মপান্দগী লাকখিবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মৈ মুখৎপগী থবক খুদক্তা পাঙথোক্তে হায়বগী চার্জদা ...মখা লামায় ৬ কলম ৬

## কাংপোকপীদা লম্বী থিংদনবা এদভাইজর থাদুনা লৌখৎলি, অহেনবা কম্পেনি ২০গী পর্সনেলশিং লৌননবা হোৎনরি : সী এম



**ইম্ফাল, মে ২২ (ঐচএনএস) :** নেসনল হায়ৱে-২গী কাংপোকপীদা লম্বী থিংবগী থৌওং অসি থোক্তনবা ঙরাং সিক্যুরিটি এদভাইজর থাদুনা মথৌ তাবা থবকশিং লৌখৎলি অমসুং হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিগী মতাংদা লৈঙাক্লসু তূমিন্না লৈতে হায়রদুনা অহেনবা সিক্যুরিটি ফোর্সকী কম্পেনি ২০ অমগসু লৌননবা হোৎনরি হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল মহাক্কী বঙ্গলোদা পাউমীশিংগা উন্নরদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়, হৌজিক মফম খরদা থোকপা নত্তনা মণিপুরদা ঈং-তপ্পা লৈরক্লে। ঙরাং নহান মী লৈত্রবা ভেটিরিনরিগী দিসপেন্সরি অমা মৈ থারম্মী হায়বদগী চিংনবা অমদি তোকঙাদগী পাখৎনবা নত্তনা লৈত্রে হায়খি।

চুড়াচান্দপুরদসু য়ূম থুগাইবদা মীওই অমা লৈখিদ্রে হায়রদুনা অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসিগী মায়োক্তা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পুলিস অমসুং পেরা মিলিটরি ফোর্সশিং থাজিন্দুনা থোকহন্দনবা হোৎনরি। চুড়াচান্দপুর অমসুং মোরেদা লৈরিবশিং সেক্যুওর ওইননবা হোৎনরি। অদুগা কাংপোকপীদা লম্বীগী অথিংবা লৈরিবা অসিগীদমক চীফ সেক্রেটরি অমসুং সিক্যুরিটি এদভাইজর থাদুনা হোৎনরি। পোৎ চৈ অয়াম্বা এন ঐচ-৩৭তা পুশিল্লক্লি। হায়ৱে অসিদা নাওরি কাপ্লকপগুম্বা থৌদোক মচা-মশু খরা নত্তনা অতৈ থোক্লে। সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা নীংথিজনা ঙাক্তুনা পুরকপগীদমকসু ...মখা লামায় ২ কলম ২

## মণিপুরদগী সেন্ট্রেল ফোর্সশিং লৌথোক্লবগী দিমান্দ সিক্যুরিটি এদভাইজরনা য়াখিদ্রে

**ইম্ফাল, মে ২২ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ৩দগী হৌরদুনা থোরকখিবা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং লাকশিন্দুনা মহৌশাগী তংদু লৈতাবা ফীভম হঞ্জিলহল্লকপদা মতেং পাংনবগীদমক লাকখিবা মপানগী ফোর্সশিংনা ঈরাং লাকশিনবদা মীচং মীখাই নাইরে অমসুং থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোরকপদা খঙশিন উশিন্নদ্রে হায়রদুনা মীওই সেক্সন খরনা মপান্দগী থাজিল্লক্লিবা ফোর্সশিং হলহনখিনবা তৌনরকখিবা দিমান্দগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্কী সিক্যুরিটি এদভাইজর কুলদিপ সিংহনা দিমান্দ অসিবু য়ানীংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মণিপুরনা মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিল্লক্ত্রিবা ফাওবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং অসিনা পাঙথোকফম থোকপা মখোয়গী মথৌশিং লেপ্পুনা পাঙথোকখিগনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ৪ তারকপদা চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটেরিএটতা মহাক্না পাউমীশিংগা উন্নরদুনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ষ্টেট পুলিসনা অকক্লবা মফম অমদা ওপরেসন চৎথনবা হোৎনবদা সেন্ট্রেল ফোর্সশিংনা অথিংবা পীখি হায়বা ৱাফম্লসু মহাক্না য়ানীংদবা ফোঙদোকখি। লোয়ননা মণিপুরগী মফম পূম্নমক্তা ষ্টেট পুলিসনা ওপরেসন চৎথবগী জ্যুরিসদিক্সন লৈ হায়খি।

অদুম ওইনমক করিগুম্বা মতমদা ষ্টেট ফোর্সকী ষ্ট্রেঙথ অমসুং খূৎশু খূৎলায় ৱাৎপদগী সেন্ট্রেল ফোর্সশিংগা খূৎশম্ননা জোইন্ট ওপরেসন চৎথনীংদবদি য়াওই হায়খি। কাঙলূপ অনী তাইনরিবা মফমশিংদা উংখৎনবা লৈরবসু হায়রিবা মফমশিং অদু য়াম্না পাক চাওবা মরম্না মফমশিং অদুগী ফীভম য়েংলগা অসিগুম্বা তাইনফমশিংদা সিক্যুরিটি থম্বগী থবক অসি মাঙ থানা পায়খৎপনি হায়খি। লোয়ননা অহেনবা ফোর্সশিং অথুবা মতমদা লাক্লগনি হায়নসু পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, মহাক্না পাউমীশিংদা মাঙজৌননা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না এন ঐচ-২গী কাংপোকপীদা লম্বী থিংবগী ফীভম মায়োক্লরিবা অসি কোক্লবগীদমক ঙরাং মফম অদুদা চীফ সেক্রেটরিগা পূন্না চৎমিন্নদুনা কাংপোকপীগী সী এস ওশিংগী অপূনবা লূপ ওইরিবা কোওর্দিনেসন ওফ ত্রাইবেল য়ুনিয়ন (কোটু) গী লুচিংবশিংগসু উন্নদুনা ৱারী শাখ্রে। মীফম অদুদা কোটুগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপা ৱাফমশিং থবক্তা ওন্থোক্কনি হায়বগী থাজবসু পীরল্লে হায়খি।







## এক্সটর্নেল এফেয়রস মিনিষ্টরগী থবক্কা মণিপুরগী ঈরাংগা মরী লৈনৈ হায়বসি আর কে রঞ্জননা খঙদবা মাল্লি : সী পি আই

**ইম্ফাল, মে ২২ (ঐচ এন এস) :** য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী এক্সটর্নেল এফেয়রসকী মিনিষ্টরগী থবক্কা মণিপুরগী ঈরাংগা য়াম্না মরু ওইনা মরী লৈনৈ হায়বসি মণিপুরদগী কাখিবা এম পি অদুগা হৌজিক্লা এক্সটর্নেল এফেয়রস মিনিষ্টরগী মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ওইরিবা আর কে রঞ্জননা খঙবীদ্রবা মাল্লি হায়না সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মণিপুরদা হন্দক্কী য়ূম মৈ থাবা অমসুং মীহাৎ মীপুন থোক্লিবশিং অসি অনীশুবা অৱা লানগুম্বনি হায়বসু য়ারবনি। ব্রর্মিজ নৎত্রগা ম্যান্মারিজগী লোংগ্রি শেৎপা কয়ানা অফবা মখলগী নোংমৈ পায়দুনা চীংয়াশিংদা নোংমতা কাংদনা নোংমৈ কাপথরক্লি। মণিপুরগী খোংজাই ইচিল ইনাওশিংগী শাংলবা পুৱারী লৈরবসু নৌনা চঙলকপা ম্যান্মারিজশিংনা করি তৌরবগে হায়বদু মিনিষ্টরনা খঙবীদ্রে। মখোয় ইমিগ্রেন্ট লাখ খরদুনা ঐখোয়গী মণিপুরগী তং তাদবা ফীভম অসি থোকহল্লক্লিবনি। মরম অসিনা এক্সটর্নেল এফেয়রসকী তৌফম থোকপা ম্যান্মার লৈঙাক্লা করি ৱারী শাগদগে। ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## কর্ফিয়ু কোমথোক্লগা ঈরাং লৈত্রে হায়বা য়াৱা : নুংলেপম বোবি

**ইম্ফাল, মে ২২ (ঐচএনএস) :** লমদম অসিদা হৌজিক হৌজিক থোক্লিবা তংদু লৈতাবগী ফীভম অসি মণিপুর লৈঙাক্কী সিক্যুরিটি এদভাইজর কুলদিপ সিংহনা হান্নগী পুন্সি মহিংদা তপ্পা তপ্পা হঞ্জিল্লক্লে হায়রিবা ৱাফম অসি য়ূম্ফম য়াওদবা ৱাফমনি হায়না কদাংবন্দ পার্ট ৱানগী হান্নগী এক্স প্রধান এন বোবিনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা কর্ফিয়ু মতম খরা কোমথোক্লগা লমদম অসিদা ঈরাং নেমথরে হায়বা য়াৱা ৱাহং হংলক্লি।

পাউচে অসিনা বোবিগা অখন্নবা শান্নখিবা ৱারীদা মহাক্না হায়, তম্পাক্কী শরুকশিংদা সিক্যুরিটি খুরক হাংদনা দিপ্লোই তৌদুনা থল্লগা ঈং-তপ্পা পুরক্লে হায়রিবা অসি করম্বা মখলগী ঈং-তপ্পনো। চীংয়াদা সিক্যুরিটি থল্লবসু মখোয়না তৌফম থোকপা মথৌশিং তৌরক্তবদগী খুঞ্জাশিংদি সেক্যুওর ওইদ্রে। মসিগী মথক্তা সিংদা ৱাটর ট্রিটমেন্ট প্লান্টনা মীওই কয়াদা ঈশিং পীরম্বা অদুসু হৌজিক থোক্লিবা থৌদোক অসিনা মরম ওইরগা মরী লৈনবা ষ্টাফশিং মথৌ তৌবা লেপখিবদগী ঈশিং ফংদবগী অৱাবসু মায়োক্লরি। ষ্টাফশিংনা মশা মশাগী ওফিসতা চৎতুনা মথৌ তৌবা ঙমদ্রিঙৈ মরক অসিদা সিক্যুরিটি এদভাইজরনা ঈরাং নেমথরক্লে হায়রিবসি করম্ননো হায়বা ৱাহংসু মহাক্না হংখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা কুকি মিলিটেন্টশিং চীংখোং চীংয়া নক্লা তারিবা মফমশিংদা য়াম্না তোয়না অয়েৎপা পীরিবা অসি মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চঙদুনা থিংগদবনি অমদি কর্ফিয়ু কোমথোকপগী মহুত্তা কর্ফিয়ু থমজিন্দুনা মপূং ফানা ঈরাং লাকশিন্নবা হোৎনবনা হেন্না ফবা খোঙথাং ওইগনি হায়রি।

# ক্লাস ত্বেলভ এগজামগী রিজল্ট লাউথোক্লে, চাদা ৮৮.৬৮ পাস তৌরে

## আর্টস অমসুং কম্মর্স ষ্ট্রিমদা লৈঙাক্কী স্কুলনা টোপ্পর ওইরে, সাইন্স ষ্ট্রিমদনা হেরিটেজ কনভেন্টনা টোপ্পর ওইরে

**ইম্ফাল, মে ২২ (ঐচ এন এস):** কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এজুকেসন মণিপুর (কোসেম) না লৌবা ক্লাস ত্বেলভ এগজামগী রিজল্ট ঙসি এজুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ বসন্তকুমারনা লাউথোকখ্রে। চাদা ৮৮.৬৮ গী চাংদা পাস তৌখি।

এগজামিনেসন অসিগী রিজল্ট লাউথোকপগী অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা এজুকেসন মিনিষ্টরনা লাউথোক্লন্দুনা হায়, হৌখিবা চহি খরা অসিদা ...মখা লামায় ২ কলম ৫

## ওজা ওইদুনা অফবা মহৈরোইশিং পুথোকপা পাম্মী : পুস্পা নাওরেম



আর্টস ষ্ট্রিমদা টোপ্পর ওইরকখ্রবী টি জি হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী পুস্পা নাওরেম (ময়ায়) অমসুং মহাক্কী অপোকপা অপোকপী

**ইম্ফাল, মে ২২ (ঐচ এন এস) :** ঙসি লাউথোকখিবা কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি এদুকেসন মণিপুরনা ক্লাস টুয়েল্ভ একজামদা মণিপুরগী ওইনা আর্টস ষ্ট্রিমদা টোপ্পর ওইবা ঙমখ্রবী টি জি হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোই পুস্পা নাওরেমনা তুংদা লাক্কদবা মহাক্কী পুন্সিদা ওজা ...মখা লামায় ২ কলম ২

## ওন্ত্রপ্রেন্যুওর ওইদুনা অন এমপ্লোইমেন্ট সোল্ব তৌনীংই : রাজবৃন্দা নাওরেম



কম্মর্স ষ্ট্রিমদা টোপ্পর ওইরকখ্রবী টি জি হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী রাজবৃন্দা নাওরেম (ময়ায়) অমসুং মহাক্কী অপোকপা অপোকপী

**ইম্ফাল, মে ২২ (ঐচ এন এস) :** কোসেমনা লৌদুনা পাঙথোকখিবা ক্লাস ত্বেলভ এগজামিনেসনগী রিজল্ট ঙসি লাউথোকখিবদা কম্মর্স ষ্ট্রিমদা টোপ্পর ওইরকখ্রবী টি জি হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী রাজবৃন্দা নাওরেমনা হায়, মহাক্কী তুংগী পুন্সিদা ওন্ত্রপ্রেন্যুওর অমা ওইদুনা মণিপুরদা ...মখা লামায় ২ কলম ৭

HL Poll

Q : State amasung Union leingakna Manipurda thokliba irangsing laksinba ngamdre haina loubada aranba wapham oigadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Maithiraba Football team amagi playersing sinbagi mahutta coach amasung manager sinbana mai paknabagi pambei oirakloidra?

Yes 100% No 0%

অস! লোইরেহে!

- মোই তামো, য়েনশাংদু অহাওবা অমত্তা চাসিদনা।



- সেন্টরগা তানরকখিগে!

# পোৎলোইগদবা হকচাং ফাওবা সিফাইশিংদা তৌহৌরো হায়দুনা শিন্নরম্লগা থৱায় হিংনবা লাঞ্জেল্লকখিবনি

## হকথেংনবা পাউদম
### সিংহাট অমসুং মোরেগী ভিক্টিমশিং

**ইম্ফাল, মে ২২ (ঐচএনএস) :**

থা অসিগী ৩দগী ঙসি ফাওবদা লেপ্পুনা থোরক্লিবা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিংনি হায়বা তমথীরবা থৌদোকশিংনা মৈশা লাংহন্দুনা থৱায়গীদমক লাঞ্জেন্নরিবশিংগা মথং মথং উন্নরকপগী মখা তারকপদা চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী সিংহাটতগী ঙা য়োনবী নুপী অমনা হায়, মহাক্না চেল্লকখিবা ফাওবদদি সিংহাটতা য়ূম মৈ থাহৌখিদে অদুবু লৈফম-চাফম খঙলক্তবদগী কিমনখিদুনা সিফাইগী লৈফমদা চেনশিনখিবনি। ঐখোয়দি ঈশাগী ইস্কোল (লম) সু লৈজদে। জৌ মরক্তা য়ূম মচা অমা শারগা লৈদুনা ঙা য়োনবগী থবক তৌরকখিবনি। ঐখোয়না লৈরকখিবা মফম অদু চপ চানা সিংহাটমক্তি নত্তে, দিষ্ট্রিক্ট অসি য়ৌরমদাইদা লৈবা সঙ্গেনবুং হায়না খঙনবা মফমদনি। মফম অসিদা লৈবা মীতৈগী য়ূম শুপ্নতগী ৪ খক্তনি। য়ূম মরি অসিদা লৈবশিংগী মনুংদগী জৌ নুপী লৌবা মীওই খরদি শিরবসু শিজ হৌরগে হায়দুনা লৈহৌরে হায়রি। মখোয়গীদি মমৌশিংসু চীংমী ঙাক্তা ওইখি। অদুম ওইনমক ঈরাং হৌরকপদগী লাঞ্জেন্নরক্তুনা তূল্লক্তবা হাপ্তা অমা ফাজিল্লক্লে হায়রদুনা থা অসিগী ১০দা খুমন লম্পাক্কী রিলিফ কেম্পতা য়ৌরকখিবনি হায়রি।



অমরোমদা, মীতৈদা ময়ূম পানবা চীংমী নিঙোল অমা মপুরোইবগী মতুংইন্দুনা অপীকপা মচা পুরগা লাকপসু য়াওই। নুপী অসিনা রিলিফ কেম্পতা লৈমিন্নরম্বা নহাশিংনা মখোয়না চঙজফম লৌরকখিবা এ আরগী কেম্পতু চাক হাপ্পবা প্লেট চান্নবা ঈশিং ফাওবা লৈতদুনা থৈবোং মনা অনীদা হাপ্পগা চাক চারকখি। থৌদোক অদুমক য়াম্না নুংশি হায়নসু ফোঙদোরকপগা লোয়ননা চান্নবা ঈশিং লৈতবদগী চামথোক্তবা প্লেটতা চাক হাপ্লগা চারকখি। মফম অদু চুড়াচান্দপুরদা লৈবা ৩৬শুবা এ আরগী কেম্পনি হায়রি।

লোয়ননা হন্দক্কী ঈরাং অদুগী অৱা চৈথেং মায়োক্লরবী মোরেদগী লাঞ্জেল্লকখিবশিংনা হায়, ইম্ফাল লোমদগী প্রেসকী মী লাকপা খুদোংচাদে নৎত্রগা চঙহন্দে হায়রগসু মখোয়না কেম্পতা লৈরিঙৈদা মোরেগী প্রেসমেনশিংনা অদুমক ফোনদা ওইরবসু পাউ পীবা য়াই। অদুবু অদুগুম্বা অমত্তা তৌহৌদে। মরম অসিনা মোরেগী পাউমীশিংনা পাউ থাদোক্তবগী মরম করিগীনো হংলদুনা মোরেদা লৈবা মীতৈ মচাশিং লোইনমক শিরসি হায়রিব্রা হায়বগী নীংঙমদবা ৱাফম ফোঙদোরকখি।

লোয়ননা ঈরাং থোরকপদগী মোরেদা থেংনরকপা ফীভমশিং তল্লদুনা পাউচে অসিদা হায়, মোরে কৈথেল মনুংদা শারিবা পোৎলক পূম্নমক তূম্নবা মৈ চাকহৌরে। দুকান পরেংসু মৈনা চাকখি। রেল্লি চৎকদবা নুমিদাং অদুদা মখোয়না মাইক শীজিন্নদুনা লাউথোকখিবদু হয়েং পুং ১২ ফাওবা রেল্লি চৎকনি অমসুং পুং ১২গী মতুংদগী দুকান হাংবা য়াগনি হায়খিবনি। মখোয়না লাউথোকপগী মতুংইন্না মে ৩গী নুমিৎয়ুংবা পুং ১২গী মতুংদা দুকানশিং হাংনখিবনি অদুবু ইখঙ খঙহৌদনা পুং ৩.৩০/৪ রোম তারকপা অদুৱাইদগী নূঙনা থোমদুনা দুকানশিং থুগাইবা হৌরকখি। অদুগা ইকান কান্নদনা হোটেলশিংদা মৈ চুরগা পেট্রোল বোমশিং লংশিনবা হৌরকখিবনি। নুমিদাংদনা শেল পায়বা মীওইশিংগী য়ূমশিং খল্লগা লুট তৌখি। থৌওংশিং অসি চৎথরকপদগী মীতৈশিং মোরে পুলিস তম্না চেনশিন্নখি। পাউ মথং মথং পীন্নরকপদা মখোয়না লুট তৌখিবা য়ূমশিং অদুদা মখোয় চাবা-থকপা তৌদুনা লৈশিনবা হৌরেসু হায়। অদুবু মমাঙথক্তা মোরেদা বন্দনচিংবা তৌখিবা মতমদদি লম্বী মপান্দা লৈবা দুকানশিংগী টেবলনচিংবা থুগাইবা অমসুং টায়র মৈ থাবনচিংবা তৌরগা অদুমক তোকপনি। হন্দক্কী অসুম্মাইনা য়ূম অমদি দুকানশিং মৈ থাবগী ...মখা লামায় ৩ কলম ২